ৱারী ককনাউ

# পাবুং শিবা য়ারোই

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা—**

ইপন তোমচানা নারক্লিসি ফনদি কুইরে। চৎনা নারম্বদগী হন্দক থা অমনীসি খরা কনশিল্লকপদৌনা তৌই। শিদৌ মানবা থেঙ্খাং অহুম্লক শুরে, শোয়দনা থোক্লনি হায়দনা মাইবা, ঈশৈ শকপা অমদি পুং য়ৈবা কৌদুনা শঙ খন্নরিসি অনীরক শুরবনি। থোক্লনি থোক্লনি হায়রগা অমুক হেক্তা কনখৎলকপগী ৱানি। মচা মশুশিংসু অহানবদা য়াম পাখৎনরম্বদগী অনাবা হন্দোক-হন্দোক্তনা লৈবদগী কয়া থওইরক্তবগুম তৌনরে। অদুবু ইপন তোমচাদি তশেংনা ঙমদ্রে, হৌগৎ-কাংখৎপা ঙমদদুনা ফমুংদা তাদুনা লৈরিবনি। অদুবু ইপনদু থৱায়দি কনবজাৎনি, লৌশিং মাঙদে, ঙাঙবা-শকপা সোল্লি-সোল্লি ফজনা অদুম ঙাঙলি। অরাকপা মী খুদিংমক মাগী মনাক্তবু চঙলুরবদি পুঙ্খায়মা করিমা নান্থোকপা ঙমদে, ইপনগী ৱারীদা অদুম নুংঙাইদুনা মনাক্তা ফমদুনা লৈ।

ইপনসি নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা শুবা নোম্বা কল্লি, লৈকায়গী থৌদোক-ৱাথোক কয়া অমত্তা হেক চিংখদখৈ য়াওই। ইপন্দা ঐগী মীগী হায়বা লৈতে। অমসু অমসু অদুম ইয়াদা য়ানৈ। য়ানদবা হায়দু মঙোন্দা অমত্তা হেক লৈতে। ৱা ঙাঙবা চঙখোল্লি, রাসি লৈ, ঙাঙবা শকপদা মীনা তানিংবা মীতা হায়দু ওই। অদুনা মীনসু মাবু য়াম চাল্লি। ইপননা হেক ৱারিবসি ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী তুংগী মরাইবক্কীনি। হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী তংদু লৈতাদবা কয়া অসিদা মচা মশুশিংনা করম্না লৈহৌগদগে খনবদা মহাক নুংশা য়াম থিজৈ। মীশিংসিনা মশাগী ওইজবা থিবদা লৈবাক্কী খুন্নাইগী অমদি তুংলমচৎকী কৈমতা খঙদনা সেরান-তুরান পংতৌদা তৌবসি মহাক্কী খোইদৌ থিৎপীনি। অদুনা মহাক্না অচৌ-অশাংশিং অমদি অঙম-অথৌশিং অসিবু য়াম্না ৱারৌই। লাইরিক-লাইশু হৈরবা মখোয়না খুন্নাই মীয়াম অসিবু অচুম্বা অফবা মায়কৈদা লমজিংবগী মহুত্তা, শেঞ্জা-থুমজা, হুরান-লান্নাগী থবক তৌরিবশিংসি হোদ্রোং হোনা উবনিনা মখোয়বু য়াম্না ৱারৌই। মসি মাগী মচিন্দা তোইনসু অদুম পন্দুনা লাকই। মানা শাথিরিবা হায়বু এম এল এ/মিনিষ্টর য়াওবা লৈকায়গী থবক থৌরমদা মহাক য়াওদে। নোংমদি মখোয় লৈকায়দা টোটি ঈশিং পীবগী অহানবা থৌরম অমদা লৈকায়গী অহলনি হায়দুনা মাঙদা ফমদুনা লৈ। মিনিষ্টর অমগা মখোয়গী কেন্দ্রগী এম এল এদুগা সিফাই-ও করি-ও লাকপা উবদুদগী ফুক হৌগৎলগা *শকশিংসে য়েংনিংদে* হায়দুনা থৌরম য়াওদনা য়ূমদা হল্লকখ্রবনি। শাথিখ্রবা ইপল তোমচানি।

ইপন্না হায়বু মীসি শিরগা অতোপ্পা মপোক অমা অমুক পোকই হায়। অদুনা মানা শিরগা লৈরিবা লৈবাক্কী ওইরিবা ফীভম অমদি মালেমগী ওইরিবা হাৎন-শুনবা, য়েংথিনবা, হিদান্নবা, অচাওরম কানবা ময়াম অসিগী মরক্তা মী ওইনা পোকনিংদে অদুনা শিদৌ তল্লে। করিগুম্বা মতুং অমুক পোক্লোই হায়রদি শিজরগে, অমুক পোক্তৌ ওইরদি শিজরোই সিনি মানা হৌজিক হায়রিসি। ঐনা হায়রিসি য়াম্না শিনিংদবগী ৱা নৎতেকো সিনিসে ইপন তোমচানা হায়রিসি। হায়জৈ হায়দুনি মতম হায়বদুনা লাক্লবদি লম্বী থৎলুবা ঙম্বা নত্তে। কনাদসু অৱাবা পীরমদনা ইকন কন্না ঙসি অয়ূক ময়াম্না য়াহৌরকপদা ইপন তোমচা থুপ্তুনা লৈরম্মে। ইমুং মনুংগী মী পূন্নমক ৱা-ৱা কপ্নরক্লে। শাগৈ-নাতৈগী মী লোইনা কৌনদুনা শুমাং মাঙ্গোল পীক থল্লি। লৈকায়গী মঙ কুম্বা য়াওগদবা ময়াম থুংলদুনা ৱা ককপা, কু চনবা, টয়ার ইনবা য়াও ময়াম মহৈ-মহৈ থবক কন্না চিন্নরি। ময়ামদুগী মরক্তা মচানুপা অতোনবদুদংদি য়াওবা উদে। মহাক মম্মীঙৈদা ৱাল্কিং চৎখিবদগী হল্লক্ত্রি। ময়াম লাংনরিঙৈদুদা মচানুপা অতোনবদু হীদাক ফজনা ঙাওরগা হঞ্জিল্লকই। ময়াম তৌরিদু উবদা মী অমদা হংই,

"কৈদৌবা য়াওরগে সিবো?"

"ইপন তোমচা লৈত্রে"

মচানুপাদু পীং লাউনা শাউগৎলকই, "য়ারোই পাবুং শিবা শুংয়া য়ারোই, মা মথং মপোক অমা পোক্তে শরুক শিজরোই হায়বনি, কমাইনা শিরিনো, পাবুং শিবা য়ারোই" হায়না লাউ খোংলকপদা ময়াম চঙদুনা মচিন মেনবা য়াও, মখূৎ ফাবা য়াও, থংনবা য়ূমগী ইমুংদা পুশিনখি। লৈরম্বা ময়াম পূন্নমক ইঙক-ঙক্লা মঙক থাঙ্গৎনদুনা য়েংনহৌই।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৪**

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) পুনেম্বা (খ) পুম
২। 'চিট্টাগোং রিপোর্টর' উপন্যাসকী অইবদু কনানো?
৩। 'পাউখুম্না হংলি' করম্বা মখলগী লাইরিকনো?
৪। 'হি ঈরাকপা' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩ গী পাউখুম মঙামক চুম্না থাবিরকখিবশিংদি**

| | | |
|---|---|---|
| ১। | *চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার* | (৫) |
| ২। | কে মেমী দেবী, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ৩। | সগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৪। | সগোলশেম য়াইফবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ২৩ গী ৱিন্নর**

*চিরোম সুরজিৎ সিংহ, ময়াং ইম্ফাল বজার*

দ্রো ওৎপদা মরাইবক ফবা ওইখ্রবা

**খুদোলপোৎ লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

সেপ্টেম্বর ২৫, নোংমাইজিং নুমিৎগী নুংথিল পুং ৪:০০;
হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৩ গী পাউখুম**

১। মখাদা পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ
(ক) চোইনৌ ঃ- সনা (খ) কোংয়াং ঃ- ৱা পাম্বী
২। 'ঐ' কৌবা উপন্যাসকী অইবদু কনানো? ঃ- ক্ষেত্রি বীর
৩। 'ঐগী নুপাগী মচা' ৱারীমচাগী লাইরিক্তুগী অইবীদু কনানো? ঃ- হাওবম সত্যবতি
৪। 'ইবা লোইশিনখিদ্রবা পুন্সিৱারী' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
ঃ- অনিতা নিঙোম্বম
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞
ঃ- আর কে সনাহল



লমকোয় ৱারী

# রুশ লৈবাক্তা থাবুম অমা

*(হান্নগী মখা চখজরকপা...)*

হৌজিক্তা তূমখিবা মী অমগুম, লেনিননা মুরৈনবা কোফিন মনুংদা হিপ্লি। ঙৌরোক ঙৌবা কুচু অদুদা অমুবা মচুগী অচোনবা ওভরকোট অমা লীৎলগা, ঙাইহাক পোৎথাবা মান্না হিপ্লি। লেনিনগী হকচাং থল্লিবা কা অদু নীংথিনা কেরবা মনম নুংশিরবা মফম্নি। মনুংদা লেনিনগী হকচাং য়েংনবগীদমক অমুক্তদা মী ১৫ পূন্না চঙহল্লি। য়েংবা লাক্লিবা অদুক য়াম্বা মীয়ামদু, চেক-মোক লাওনদে, লোইনমক লোন থোক্তবা অমগুম তুমিন লৈনৈ। করিগুম্বা অমত্তা তাক্লবা, হায়নবা লৈতে। য়েংবা মতমদা, লেপ্লগা অসুম য়েংদুনা লৈবসু য়াদে, য়েংনা-য়েংনা চৎখিগদবা মওংনি। মনুংদা মিনিট অনীরোমগী মতম পী। মী খূদিংমক, অথূবা মতমগী মনুংদা য়েংবা ফংহল্লি। লেনিনগী মশা য়েংনবগীদমক ঙাইবগী অৱাবা কন্নাদসু ফাওখিদে। মতম ঙাইহাক্কী মনুংদা, ঐখোয় খূদিংমক য়েংবা লোইরদুনা মপাল থোকলকই। লেনিনগী মশা উরুবদা ৱা ঙাঙনিংবা ফাওদে, ৱাবগী নত্তে। মীগী চাউখৎপা, লৈবাক মচা তাবা উরুবগী শোন্থবনি। লাক্লিবা ইং কুমজা ২০২৪ অসিদদি, থল্লিবা লেনিনগী হকচাংসি চহী ১০০ শুরগনি হায়রকই। মীওইবগী অশিবা হকচাংবু চহী কয়া অমা ফিভম করিমত্তা কায়হন্দনা, পৎথ-পুমথহন্দনা থম্বা ঙম্বা হায়বসি চাউখৎলকপগী, খুৎশেমগী হৈ-শিংবনি। চাউখৎলে হায়দুনসু লৈপাক অমনা হেক ঙম্বা অমদি ওইদ্রি। মসি মালেমদা তাঙনা থোকপা অমনি।

সোভিয়েট লৈপাক্তা লেনিনগী অশিবা হকচাংবু পৎথ-পুমথহন্দনা থম্মী, মীয়াম য়েংহল্লি হায়বসি খুৎ কল্লবা লৈবাক অতৈনসু তায়, মখোয়দগী হেনবা অমা তৌখ্রে হায়বদা অমনা অমবু কল্লক্লবা মহৌশানি। অঙনবা মতমগী খুৎকল্লবা নাজিশিংনা সোভিয়েটতা লৈরিবা লেনিনগী হকচাং অসিবু মাঙহন্নবা খুজিল-থৌরাং কয়া, অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা মশীং খঙদনা হোৎনখি হায়। অকনবা লান মনুংদা হকচাং অদুবু মাঙহনবা ঙমদনবা রুশিয়ানশিংনসু হকচাং অদুবু "Object No.1" হায়না মমিং থোন্দুনা খঙনরগা, সেন্ট্রেল রুশিয়া মনুংদা

য়েক্লবনা ফংখিদনবা লোৎশিনখি হায়। মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুং, ইং কুমজা ১৯৪৫ মার্চ থাদা হান্নগী থমফম Lenin's tomb তা অমুক পুথোক্তুনা হকচাং অসি মীয়ামদা হান্নগুম য়েংহনবা হৌরকখি। লেনিনগী হকচাং মনুংগী জেনিটেল ওর্গানশিংদি হান্ননা লোইনমক মতম শাংনা থম্বা য়ানবা পোস্ট মোর্টেমদা লৌথোকখ্রবনি। মহাক্কী ব্রেনগী শরুক অসিমদি এক্সপ্রিমেন্ট তৌনবা মোস্কো ইন্সটিট্যুটতা অখন্ননা থমখ্রবনি হায়।

সোভিএয়টকী লুচিংবা লেনিন অসি রুশিয়ানশিংগীদমক্তদি ঈশ্বরনা থাবিরক্লবা লাইপোক অমনি। সোভিয়েটকী নীংতম্বা ফংনবা, অওনবা লৈবাক অমা ওইরক্লবগী মীয়াম তীনবা মফমদা মহাক্না হায়খিবা, ৱা ঙাঙখিবা কয়াগী মওং লৌদুনা, লেনিনগী মিতমশিং (মুর্ত্তি) কয়া মরাঙ কায়না খিন্দুনা থল্লিবা অসিনা, মহাক্কীদমক রুশিয়ানশিংনা তৌবা য়াবা খূদিংমক তৌদুনা ইকায়-খুম্নবিরি হায়বদু তাক্লি। মোস্কোসি সোভিয়েটকী কোনুংনি। শেমগৎপা য়াবা শেমগৎলে। শাবা য়াবা ব্যুল্ডিং শারে। কার তোংদবা লৌমী লৈতে। অমনা হেল্লি অমনা তাই হায়বগী ৱা লৈতবনা পূন্না নুংঙাইমিন্নবনি। লম্বীদা, লমজাওদা শিনফম অমা ওইনা লাই য়েকপা নুপা-নুপী য়াম্না লৈহৌই। লাই য়েকপশিংনা লম্বীদা লাকপা মীবু মখোয়গী কেনভসকী মমাঙদা ফমহন্দুনা অয়েকমন লৌদুনা য়েকহৌই। ফোটো কেমেরানা নল্লগা উববুদি, মীবু য়েংলগা য়েকপা শক্তম্না হেন্না পাম্নহৌই। আর্টকী মতাংদি থাক য়াম্না ৱাংনা লৌনৈ। কনাগুম্বা অমনা, করিগুম্বা মখলগী আর্ট অমবু হৈরবদি, মহাকপু মীয়াম্না অদুম ইকায়খুম্নবিরে। হিংবসু ঙম্লগনি। চাকনি-ফিনিবা মী থেংনরক্তে। অসুক নুংঙাইবা লৈপাক অসিনা, ইন্দিয়াগী ডেমোক্রেসি চৎপা, লাইরবনা লাইরহৌবা, নুংঙাইবনা হেন্না নুংঙাইবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা মখোয় পাম্নহৌই। মখোয়গী হান্নগী থবক শুমিন্নবা, হিংমিন্নবা, অরৈবা চামিন্নবা হায়বা ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অসি কান্নদবনি হায়না থাদোক্কে খল্লিবা ৱাখল অসি ঐনা ঙকখি। ৱাকায় শূবা কনা অমনা ইনশিনবনি খনখি। মখোয়গী সরকারদা ডেমোক্রেসি চৎনবা মীয়াম্না তক্লহৌখি। ৱাখল্লোন অসি পাম্বগা পামদবা মীগা, ফালা ওনবদা পাম্বা মীনসু হেলহৌরি। ঐনা ইথন্তা হংজখি, সোভিয়েট নঙগী হিংমিন্নবগী ফজখ্রবা ৱাখল্লোন অসি করিগী নঙগী মীয়াম্না পামদবনো ? ঙসি লাইরবা, চাক্লি-ফিনিবা মী উদ্রিবসি, হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি লৈবননি। মসিবু করিগী নঙনা অদুক থুনা থাদোক্লিংলিবা ?

মোস্কো থাদোকলমদাইগী নোংমা-নীনিতা ঙায়রবা মতমদা, রুশকী পাখঙ অমখক ঐখোয়গী লৈফমদা লাক্তুনা উন্নখি। মহাক্লা, ঐখোয়গী পর্ফোমেন্স উখিবদগী ঐখোয়বু উন্ননিংবনা ঙাইরম্বনি হায়রকই। মহাক্কী মমিং নিকোলাই কৌই। য়ারোসলোভতগীনি। ঐনা ঙকইবসি, ঐখোয়না য়ারোসলোভতা চৎপা মতমদগী মহাক্তি ঐখোয়গী তুং লোন্না ইন্নরকপা ওইরম্মী। ঐখোয়না চৎলুবা মফমশিং 'রোষ্টোভ' অমদি 'মিংস্ক' মফমশিংদসু ঐখোয় খঙহন্দনা মাদি অদুম ইন্নরকখিবা ওইরম্মী। মতম অদুদা মহাক কদায়দা লৈরমগদগে খঙদে। মহাক ইংরাজি খঙবা ৱানা থোকই। ফ্রেন্স লোলদি খঙই হায়, ঐখোয়না মদু অমুক খঙদে। থোইনা লোন ফাওনবগীদি ৱাদ্রে। মৈতৈলোন ঙাঙশিল্লবতদা লোন ফাওনৈ, ৱাফমসি মথক্তসু পঞ্জখ্রে। মহাক্লা ইন্নরক্লিবসি থাং-তা হৈবা পাম্বগী ওইরমখি। খজিক্তং ওইরবসু তম্বীরম্মু কন্না হায়রকখি। লুখ্রবা আর্টফোর্ম অমবু নোংমদা পুং খরগী মনুংদা হৈহনবা, খঙহনবা হায়বসিদা তাক্কদৌরিবসিবু করিনো ? হৈহন্নিংঙি হায়দুনা হেক্তমক নখুৎ তিংথোক্লো হাপ্লগে হায়রগা য়াবমক্তি নত্তবনা, শাজেলওই করি ওই, খুজেং লৈবা, হাইবা, ফিথুপ, খোঙফম খজিক তাকপীখি। মদুখক তাকপদা, মহাক্লা হরাউখিবদু উবদা অদুম পেল্লে। লোইনমক হৈরে হায়বগী মওংনি। হরাওনা চৎখি। নুংথিল নুমিদাংৱাইরমদা মমান্নবা অমা পুরগা অমুক লাকখি। মমান্নবা অদুগী মমাংদা, ঙসাই তাকখিবা অদু মহাক্লা তৌদুনা উৎলি। মওংদি অমত্তা তাদে অদুবু মহাক্কী পামজবা অদু উবদা, কন্না হোৎনৌ হায়না থৌনা পীবীরম্মী। ঐখোয় মোস্কো থাদোক্তুনা লন্দনলোমদা অমুক চৎলগনি হায়বদা মহাক্লা ঐঙোন্দা 'য়ারোসলাভাল' হায়বা লাইরিক অমখক পীরকখি। লাইরিক অদুগী মনুংগী লমায়দা, ৱাহৈ পরেং অমা ইরম্মী অদুগা চিথি অমসু মহাক্লা খঙজবা-হৈজবা ইংরাজিদা ইরগা য়াওরমখি।



LETTER FROM NIKOLAI

Good dey my indian friend Makhonmani!
Hello a Jaroslavl!
My nemis Nickolai
I live in Jaroslavl
I look yours chorus repertory theatre. I love indian danse & karate.
Good bye!
P.S. Long-live Indo-Soviet friendship
H. [signature]
150020
СССР
г. Ярославль
ул. Алмазная
9. 7 кв 98
Ганину Николаю.

**নিকোলাইগী চিথি ঃ**

*গুদ ডে মাই ইন্দিয়ান ফ্রেন্দ মাখোনমনি। হেলো, মাই নেম ইজ নিকোলাই। আই লিভ ইন য়ারোসলাভল। আই লুক য়োরস কোরস রিপর্টোরি থয়েটর। আই লভ ইন্দিয়ান ডান্স এন্দ কারাটে। গুদ বাই। পি.এস. লোং লিভ ইন্দো সোভিয়েট ফ্রেন্দশিপ..। মাই প্রজেন্ট ফোর ইয়ু। লোং লিভ ইনে দা সোভিয়েট ফ্রেন্দশিপ।*

*- নিকোলাই*

**মোস্কো থাদোকলমদাই মিকুপ্তো ঃ**

ঐখোয় হৌজিক মোস্কো থাদোক্লবা থৌরাং লোইরে। থা অমা লোয়নরক্লবা ইন্টরপৃটর মখোয় মঙাগা, ঙসি হায়বসিদগী কায়নরগনি। ঐখোয় ময়াম হাওফি অমমম পুথোক্লদুনা মখোয়দা খুদোল ওইনা পীরম্মী। মখোয়দা ফি ইনন্নবগী মওং তাকপীরম্মী। মখোয়না অমুক ঐখোয়দা লৈ চবুল-চবুল পীরকখি। ঐখোয়বু ওকপিরম্বদসু লৈ চবুলনা ওকপিরম্মী, কায়নবসু লৈ চবুলনা ওইরি। মোস্কো এয়রপোর্ট তম্না ঐখোয়বু থিন্দোকপীরকই। অহিংগী মতমদা মোস্কো এয়রপোর্টকী মৈঙালদা ঐখোয় থুংলখিবনি। হনবদসু অহিংগী মতমদা হনগদৌরি। ঐখোয় হৌজিক রিপোর্ট পীবা চঙলগনি অদুনা মখোয়গা অরোয়বা ওইনা ৱারী শান্নৈ। কায়নরমদাই হায়বসিনা লাক্লবদি, নুপা-নুপী হায়বগী ৱা লৈতে, লোইনমক পুক্লিং নুংশিনরকই। ৱাং চাওরবা শাবানশিং অদুনা মপি তানা কপলকপা অদুদদি, ঐখোয়সু তুমিন লৈনবা ঙমখিদে। ঐখোয়বু অমুক হন্না লাকউ হায়হৌই। ঐখোয় ময়াম অমত্তা ওইনা হায়খি 'দসবীদানিয়া' মখোয়সু খুমলকই, 'দসবীদানিয়া' (কায়নরসি)। অহিংগী পুং অনী চপ চানা মোস্কো এয়রপোর্টতগী লন্দনগী হিটথ্রো এয়রপোর্ট তম্না চীংলোন লান্না খোঙশাল্লকখি।

(চহী খরগী মতুংদা নোংমা, মখোয়গী পার্ল্যামেন্ট হাউস মমাংদা লৈহৌবা লুচিংবশিংগী মিতমশিং, লেনিনগী মিতমশিং ইন্থুখিবা টিভিগী পাউদা উখি। লেনিনগী হকচাংসু লৈরোন চন্নবা থৌরাং তৌরে হায়বগী পাউ তাখি। পাউদু তাবদা ঐঙোন্দা নুংঙাইতবা য়াম্না ফাওখি। হৌজিক্তী, সোভিয়েট হান্নগী সাসন হোংদোকখ্রে, গোরবচোভকী সরকার ইন্থুখ্রে। ডেমোক্রেসি চৎখ্রে, লেনিনগী মিতমশিং ইন্থুখ্রবসু চহী কয়া মীরোল কয়া থমলক্লবা হকচাং অদুমদি মাঙহনখিদে। হৌজিকসু হান্নগী Maosoleum দা থম্বগী পাউদি তারি। পাউদু তাবদা, করিসু লৈত্রবা ঐনা মখোয়গী মীয়ামবু পুক্লিংদা থাগৎলি।)

*(মখা মথং নোংমাইজিংদা)*

*(লমকোয় ৱারী অসি মাখোনমনি মোংশাবনা ইবা চীংলোন অমদগী অমদা হায়বা লাইরিক্তগী লৌখৎচবনি)*

# ৱর্ল্ড দিফ দে সেপ্টেম্বর ২৫, ২০১৬

**ডা. ধাকেশ্বর সিংহ পোৎশংবম**

**ষ্টেট নোদল ওফিসর, নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দিফনেস, নেসনল হেলথ মিসন, মণিপুর**

**মালেমগী না তাথিবগী নুমিৎ ২০১৬**

মালেম পূম্বদা সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা নোংমাইজিংবু 'ৱর্ল্ড দিফ দে'/মালেমগী না তাথিবগী নুমিৎ' হায়দুনা পালন তৌনরি। অসিদসু নত্তনা সেপ্টেম্বর থাগী অরোইবা চয়োল অসিবু 'ইন্টরনেসনল দিফ ৱিক'/'মালেমগী লৈবাকশিংগী না তাথিবগী চয়োল' হায়দুনা পালন তৌনরি। মসিগী মপূং ওইবা ৱাখল্লোনদি ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরিবা না তাথিবা মীওইশিংবু য়োকখৎপীনবগীদমক লৈবাক মীয়াম পূম্বা, লৈঙাকলোইশিং অমসুং লৈপাক্কী থৌবুরোই পূন্নমকপু ৱাখল তামিন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবনি। মসিগী নুমিৎ অসিদা না তাথিবশিংগী ওইবা ফুরুপ কয়ানা ফঙ্কসন কয়া পাঙথোক্লি। মপূং ওইবা থবক্তি না তাথিবশিংগী য়োকখৎনবা মখোয়গী অপাম্বা অমদি মী অমা ওইনা মহাউ লৈনা হিংনবগী মচাক পূন্নমক ফংহন্নবা হোৎনমিন্নবনি।

**পুৱারী**

কুমজা ১৮৭১ দা য়ু এস এগী Pennsylvania ষ্টেটকী ফিলাদেলফিয়া হায়বা মফমদুদা Graniville Richard Seymour Redmond হায়বা নুপা অমা পোকখি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈদা (scarlet fever) অরুম লাইহৌ অমদগী মনা তাখিদ্রে। মহাকপু মহাক্কী ইমুং মনুংনা শৌগৎপীদুনা স্পিসিয়েল স্কুল অমদা লাইরিক তমহনখি। মহাক সান ফ্রান্সিসকোদা লৈবা কালিফোর্নিয়া স্কুল ওফ দিজাইনদা তমদুনা লাই য়েকপা (দ্রোয়িং) অমসুং মচু লাঙবা (পেন্টিং) অমসুং Pantomime হায়বা দ্রামা মখল অমা তমখি। অসুম্না মহাক না তাথিবনা লাকথুদুনা মপুন্সি মীখা থাখিগদবদগী য়াম্না মশক নাইবা মীশক অমা ওইরকপা ঙমখি। মহাক মনা তাবা মীওই অমদগী করিসু তাদনা হৈশিংবা মীশক অমা ওইখি। মসিবু খুদম ওইনা লৌরগা ৱর্ল্ড দিফ দে হায়বসি, না তাথিবশিং অমদি মীপুম খুদিংমক্লা না তাথিবশিংগীদমক্তা হকচাং ফনা লৈহন্নবা, মহাউ লৈনা পুন্সি হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং ফংহন্নবা, লাইরিক তম্বীবা, শিনফম তম্বীবা অমসুং থবক পাঙহনবগীদমক্তা চঙশিনবা খোঙজং অমনি।

**নুমিৎসিদা তৌগদবা থবক থৌরমশিং**

মীপুম খুদিংমক্লা ৱর্ল্ড দিফ দেবু নুমিৎ অসিখক্তং নীংশিংনবগী পালন তৌগদবা নত্তে। চাওখৎলক্লিবা খূৎশা হৈবা অমদি সাইন্সকী কান্নবা ময়াম অসি শীজিন্নদুনা না তাদবা শিংগী পুন্সিবু হেন্না চাওখৎপা অমদি মহাউ য়াওবা পুন্সি মহিং অমা পীবা ঙম্নবা খুদোংচাবা ময়াম অমা ফংহন্নবা হোৎনবা হৌগদবনি। মসিগী নুমিৎ অসিদা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎতুনা, মীফম ময়াম পাঙথোক্তুনা, মীপুম খুদিংমকপু না তাথিবদগী থেংনরিবা খুদোং চাদবশিংগী মতাংদা খন্না নৈনমিন্নদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমসুং পুনশিন্দুনা খূৎশম্নবা থৌরমশিং পাঙথোকপীগদবনি। অসিদসু নত্তনা হরাউ তয়াম্বগী কুম্মৈ পাঙথোকমিন্নদুনা অমগা অমগা খূৎশম্নদুনা চৎমিন্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবিগদবনি।

**ৱর্ল্ড দিফ দেগী পান্দমশিং**

অসিগী নুমিৎ অসিগী পান্দমশিংদি ১) মীয়ামদা না তাথিবশিংনা পুন্সিদা থেংনরিবা খুদোং চাদবশিংগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবা হোৎনবা ২) না তাথিবা অমসুং লোন থোক্তবশিংবু শোয়দনা Sign Language (ইঙ্গিৎনা ৱা ঙাঙবা) তম্বীবা। Sign Language বু খঙদবা য়াদবা মহৈ অমনি হায়না খঙহনবা অমসুং তম্বগী খুদোংচাবা শোয়দনা ফংহনবা। ৩) না তাথিবশিংগী হ্যুমেন রাইট (মী অমা ওইবগী ফংফম থোকপা চাকথুং) অমসুং লাইরিক তম্বগী অমসুং টেক্নোলোজি অমসুং সাইন্সকী কান্নবা পীবগী হক ফংহন্নবা হোৎনবা ৪) ঐখোয়গী লৈরক খুল্লক, কৈরোই লৈকায়দা অমসুং মীয়াম তিনফমশিংদা না তাথিবশিংনা মরোমদোম লেপ্তুনা মীরম তিনবা ঙমজনবা পোষ্টর অমসুং Sign Language হৈবা মী থম্বীগদবনি। টি ভি চেনেলশিংদা দুর্দরশন্দা তৌবগুম পাউ পাবদা Sign Language য়াওহনবীগদবনি।

**ৱর্ল্ড ফেদরেসন ওফ দ দিফ**

কুমজা ১৯৫১ দা ইটালিগী রোমদা হৌদোকখিবা না তাথিবশিংগী ওর্গেনাইজেসন অসি ঙসিদি ফিনলেন্দগী হিলসিনকিদা হেদক্বার্টর ওইখ্রে অদুগা লৈবাক ১৩২ না মসিগী মেম্বর ওইরে। মেম্বর মরক্তা ঐখোয়গী লৈবাকসু য়াওরিবনি। মসিগী ওর্গেনাইজেসন অসিনা না তাথিবশিংগী হক (হ্যুমেন রাইট) তানবা অমসুং কান্নবা পীনবা থবক থৌরম অমসুং লৈবাক পূন্নমকপু খূৎশম্নবা চৎপদা মাঙজিল থাবা ফুরুপ অমা ওইরি। দব্লিয়ু এফ দিনা ৱর্ল্ড হেলথ ওর্গেনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) অমসুং ইন্টরনেসনল দিসএবিলিটি এল্লাইন্স (আই দি এ) হায়বা ওর্গেনাইজেসনশিংগসু খূৎশম্নদুনা চৎলি। মসিগী ওর্গেনাইজেসন অসিনা চহী ৪ খুদিংগী ৱর্ল্ড কোংগ্রেস পাঙথোক্লি। মসিদা মালেমসিগী লৈবাক মীয়াম পূন্দুনা খন্না নৈনবা কয়া পাঙথোক্লি। চৎখিবা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ২৮ দা টর্কিগী ইষ্টানবুলদা অরোইবা ৱর্ল্ড কোংগ্রেস পাঙথোকখি। লাক্কদবা কুমজা ২০১৯ দসু ফ্রান্সকী পেরিসতা ৱর্ল্ড কোংগ্রেস পাঙথোক্কদৌরি।

**ঐখোয়গী থৌদাং**

১) অহানবদা, পোলিটিক্স তৌরিবা লৈবাক ঙাকপীরিবশিংনা না তাথিবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা মীমান্নদবগী অৱাবসিবু খঙবীরগা, পোলিসি এন্দ প্রোগ্রাম কয়া শেম্বীদুনা মখোয়গী পুন্সি হিংবদা খুদোংচানবা শিনবীবা চঙই।
২) অনীশুবদা, গভর্ণমেন্টকী একজিক্যুটিভশিংনা না তাথিবশিংগী থবক থৌরমদা পূক্লিং চঙবীদুনা মখোয়গী পুন্সিদা অহোংবা পুরকপদা মতেং পাঙবীগদবনি।
৩) অহুমশুবদা, মীয়াম পূন্নমক্লা না তাথিবশিংবু হন্থনা য়েংবীদবা, মখোয়বু ঐখোয় খ্বাইগী মরক্তা তিলহন্দুনা মখোয়গী পুন্সিবুসু মমল লৈনা, মহাউ য়াওনা হিংবদা মতেং পাঙবিগদবনি।

অরোইবা ওইনা, নেসনল প্রোগ্রাম ফোর প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দিফনেসকী মায়কৈদগী না তাথিবা হায়বসি মুখৎপা অমসুং থিংবা য়াবা শোয়নাইবা ওইবনিনা, ঐখোয়গী লৈবাকসি না তাথিবা লৈতনবা পীক্লিবা অঙাংদগী হৌনা না তাবা চাংয়েং তৌথোকপীয়ু হায়বা অসি অরোইবা ওইনা থমজরি।